# যুক্রেননা হৱাই চেঙৱাই এক্সপোর্ট তৌবা হৌখিবদগী মালেমগী চিঞ্জাক্কী মমলশিং হন্থরক্লে: এফ এ দব্লিয়ু



রোম, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): যুক্রেননা হৱাই চেঙৱাইশিং অমুক হন্না এক্সপোর্ট তৌবা হৌখিবদগী মালেমগী চিঞ্জাক্কী মমলশিং জুলাই থাদা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকখি হায়না রোমদা লৈবা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও) না হায়রি।

এজেন্সিনা এফ এ ওগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, যুক্রেনদগী হৱাই চেঙৱাইশিং থাদোকপা য়াহনবগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরকখিবা অমসুং মালেমগী সপ্লাই চেনদা অহোংবা কয়া লাকখিবদগী চিঞ্জাক্কী মমলশিংদা লৈরম্বা প্রেসর খরমখৈ হন্থরকখি।

যুএন এজেন্সি অসিনা ফোঙবা খ্বাইদগী নৌনা ফিগর্সকী মতুং ইন্না চিঞ্জাক্কী কম্মোদিটিশিংগী থাগী ওইবা মমলগী ইন্দেক্স জুলাই থাদা চাদা ৮.৬ হন্থদুনা কুমজা ২০০৮ কী মতুংদা থা অমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না হন্থবা হায়বদু ওইখি।

চিঞ্জাক্কী মমল হন্থরক্লিবসি ইনে দক্সতা শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা উখিবদা থংন থংননা অহুম্লক শুবা থাগী ওইননি। তৌইগুম্বসুং মমল হন্থরকপগী চাং অসি অহানবা ওইনা জুলাই থাদা মমাঙগী মতমদগী য়াম্না হেন্না হন্থবা ওইখি। জুলাই থাদা চিঞ্জাক্কী মমল হন্থবগী ট্রেন্দ অমা উবা ফঙলবসু মমলগী ইন্দেক্সতদি চহী অসিগী হৌরকপদা লৈখিবা অদুদগী চাদা মঙা হেনখি অমসুং মমাঙগী চহীগী লেভেলদগীনা চাদা ১৩ হেনগৎখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা এফ এ ওগী ইনে দক্স অসি ফ্যএলগী মমল হেনগৎপা অমদি যুক্রেনগী লানন মরম ওইদুনা রসিয়া অমদি যুক্রেনদগী হৱাই চেঙৱাইশিংগী এক্সপোর্ট তৌবগী চাং তপথরকপগা লোয়নন সপ্লাই চেনগী ইস্যু কয়ানা মরম ওইদুনা এপ্রিল থাদা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল য়ৌখি।

ইন্দেক্স অসিগী এস্পেক্ট খুদিংমক হৌখিবা জুলাইদা শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা উখি। চেঙ, গেহুগী মমল মতম অসিদা চাদা ১১.৫ হন্থরকখি। এফ এ ওনা হায়রি, মদুদি চিঞ্জাক্কী মমলগী ইন্দেক্সতা অহোংবা অমা লাক্লিবসিগী মরম অমদি যুক্রেনগী ব্লেক সীদা লৈবা মরু ওইবা পোর্টশিং হাংদুনা মালেমগী হৱাই চেঙৱাই খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অসিবু হৱাই চেঙৱাই এক্সপোর্ট তৌবা য়াহনখিবদগীনি। তৌইগুম্বসুং হৱাই চেঙৱাইশিংগী মমলশিং অদু চহী অমগী মমাঙদা লৈখিবা মমলশিং অদুদগী চাদা ২৫ হেনগৎখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

এফএওগী ভিজিটেবল ওইল-শিংগী মমল মতুং ইন্না আইটেমশিং অসিগী মমল চাদা ১৯.২ হন্থরক্তুনা থা তরাগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা হায়বদু ওইখি। মসি ইন্দোনেসিয়ানা পাল্ম ওইল থাদোকপগী চাং অমুক হেনগৎহনবদগীনি। মালেমদা দিমান্দগী চাং হন্থরক্লবসু শঙ্গোমগী পোত্থোকশিংগী মমল চাদা ২.৫ হন্থরকখি।

মিটকী মমলনা চাদা ০.৫ হন্থরক্তুনা হৌখিবা চহীদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা অহানবা ওইনা মমল হন্থবা হায়বদু ওইখি। এফএওগী চিঞ্জাক্কী মমলগী ইন্দেক্স অসি ফুদ কম্মোদিটিশিংগী কেটগরি ২৩ গী মালেমগী ওইবা মমলশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়রি।

# ইজরেলনা মিলিটেন্ট লিদর হাৎখ্রবা মতুংদা গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট কয়ামরুম কাপশিনখ্রে



জেরুসালেম, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা এয়র ষ্টাইক চথুদুনা মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন পলেষ্টিনিয়ন ইস্লামিক জিহাদ (পি আই জে) গী লুচিংবা অমা য়াওনা মীওই কয়া শিখ্রবা মতুং পুংখরগী মনুংদা গাজাদগী ইজরেলদা রোকেট কয়ামরুম কাপশিনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

এজেন্সিনা ইজরেল্লি মিলিটরি পল্লদুনা হায়, ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা গাজা ষ্ট্রিপতা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথুখ্রবা মতুংদা ইজরেলগী সিটি কয়াদা এয়র রেইদ সাইরেনশিং খোঙখি। তৌইগুম্বসুং কাপ্লকখিবা রোকেটশিং ইহাং হাংবা লৈমায়দা তাশিনখি নত্ত্রগা আইরন দুম মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনা লমখাংদা কাপথখি।

পিআইজেগী মিলিটরি আর্মনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ফোঙদোকখিবদা পিআইজেগী কম্মান্দর টাইসির অল-জবারি হাৎখিবগী লম্মন খুম্বা ওইনা গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট কয়া কাপশিনখিবনি।

ঐখোয়না টেল অভিব অমদি অতৈ সিটিশিংদা মিসাইল ১০০ গী মথক্তা কাপশিনখি হায়না পিআইজেগী মিলিটরি আর্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মদুগী মমাঙদা পিআইজিনা থ্রেট কয়া পীখিবা মতুংদা ইজরেল্লি মিলিটরিনা গাজাদা লৈরিবা টার্গেট কয়া মনুংদা এটেক তৌখি। পলেষ্টিনিয়ন সোর্সশিংগী মতুং ইন্না ইজরেল্লি এটেকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই তরা শিখি। মখোয়গী মনুংদা চহী মঙাদা ঙাইরিবা অঙাং অমা অমসুং পিআইজেগী মেম্বরশিং য়াওখি। এটেকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ না অশোক অপন নঙখি।

পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ অমসুং ইজরেল্লি আর্মি অনীমক্না অল-জবারি শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌখি। ইজরেলগী আর্মদ ফোর্সেসকী মতুং ইন্না এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা গাজা ষ্ট্রিটতা লৈবা পিআইজেগী মিলিটরি বেজশিং অমসুং বিল্ডিংশিংসু টার্গেট তৌখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেলনা চথুখিবা এন্টি-টেরর ওপরেসন অমদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী টাউন জেনিনদগী পিআইজেগী লুচিংবা বাসেম সাদি ফাখি। ওর্গনাইজেসন অসিগী মিলিটরি ৱিং ওইরিবা অল-কুটস বৃগেটসনা লমন খুম্বগী খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না ইজরেলদা থ্রিটন তৌখিবনি।

# ম্যান্মারগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা টুরিষ্ট ভিজা এপ্লিকেসনগী অনৌবা গাইদ লাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে



য়াঙ্গোন, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): ম্যান্মারগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা টুরিষ্ট ভিজা এপ্লিকেসনশিং থানবগী অনৌবা টর্মশিং অমসুং কন্দিসনশিং লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিনা কোভিদ পেন্দামিকনা মরম ওইদুনা চহী অনী হেন্না লেপ্পুরবা মতুং হৌখিবা এপ্রিলদা কর্ম্মসিএল ফ্লাইট সার্ভিসশিং অমুক হৌখি। অনৌবা গাইদ লাইনশিং অদুগী মখাদা টুরিষ্টশিংনা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্পগী প্রুভ, থা অহুমগী মনুংদা লৌখিবা কলর ফোটো অমা অমসুং ভিজা এপ্লিকেসন অদুগা মরী লৈননা থা তরুক্কী ভেলিদিটি লৈবা পার্সপোর্ট পীবা মথৌ তাই।

অনৌবা টর্মশিং অমসুং কন্দিসনশিংদুগী মতুং ইন্না পাসপোর্ট অদুমক্তদা চহী তরেৎ য়ৌদ্রিবা অঙাংশিং য়াওবা তারবদি ভিজা এপ্লিকান্ট অদুনা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদুগী মাইনর সেক্সনদা অঙাং অদুগী মিং অমসুং পোকপগী তারিখ হাপকদবনি।

পাসপোর্ট হোল্ডরশিং খক্তদা ভিজা এপ্লিকেসন থাবা য়াগনি অমসুং এপ্লিকান্ট পুম্নমক্না ম্যান্মারগী লোশিং ঙাক্কদবনি অমসুং লৈবাক অসিগী মনুংগী ওইবা এফিয়ার্সতা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্কী ওইনদি টুরিষ্ট ভিজা হোল্ডরশিংগীদমক য়াঙ্গোন ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টকী খুথাংদা ম্যান্মারদা চঙবা য়াহল্লি। মখোয় মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা লাউথোকখিবা মথৌ তাবা দোকুমেন্টশিং লৈবাক অসিদা চঙবদা পুথোকপা মথৌ তাই। ম্যান্মারদা থুংবা তারিখতগী পাবা হৌগদবা টুরিষ্টশিংনা লৈবগী মতম অসি য়াল্লবদা নুমিৎ ২৮ নি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না ভিজা অদু সিঙ্গল এন্ট্রিগী ওইনা য়াহল্লিবনি অমসুং রি এন্ট্রিগী ওইরবদি অনৌবা ভিজা অমা অমুক মথৌ তাগনি। ইরাই নুমিত্তা ম্যান্মারদা অনৌবা কোভিদ ১৯ কেস ১২ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়নন লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৬১৪,১৭০ য়ৌরে অমদি লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিংনা ১৯,৪৩৪ শুরে।

হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলক্লবা মী মশিং ৫৯২,৯৭০ শুরে।

# কন্ট্রেক্টতা মালিদা লৈরিবা ফোরেন মার্সিনরিশিংনা মীচমশিং পাক্তক্লনা হাৎখি: য়ুএন রিপোর্ট



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): মালিগী মিলিটরিগা য়ান্নদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফোরেন মার্সিনরিশিংনা চহী অসিগী অঙনবদা মীচম ৩০ হেন্না হাৎখি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না কনফার্ম তৌদবা য়ুএন রিপোর্ট অমনা হায়রি। য়ুএন এক্সপার্টশিংনা ইবা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙবা রিপোর্ট অদু সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পীশিনখি। মদুদা চহীসিগী মার্চতা সেন্ট্রেল মালিদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা পনখি।

রিপোর্ট অদুদা মার্চ ৫ গী অয়ুক অঙনবদা মালিগী ভিলেজ অমদা অঙনবদা কুচু ঙৌবা লান্মীশিং উখি হায়বা আই ৱিটনেসশিংগী ৱারোলশিং পনখি।

রিপোর্ট অদুনা ৱিটনেস অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কুচু ঙৌবা লান্মীশিং অদুনা অকক্লবা চহী তাঙ্কক্কী নুপামচাশিং অমদি নুপা পুম্নমক কোয়শিনখি অমদি মখোয়গী খুৎশিং তুংবুন্নবগা লোয়নন মমিৎসু ফিয়েৎশিন্দুনা থমখি। মদুগী মতুংদা লান্মীশিং অদুনা মখোয়বু ফাখি অমদি অকোয়বদা লৈরিবা য়ুমশিং অদুদা চঙদুনা ইমুংদা লৈরিবা পোৎচৈশিং লৌথোকখি।

লান্মীশিং অদুনা মমিৎ পুনশিল্লবা মীওইশিং অদুবু অচৌবা চৈতুপশিং শীজিন্নদুনা ফুবা হৌখি। অতোপ্পা লান্মী খরনা অনকপদা লৈরিবা য়ুমশিংগী থোঙ থিংজিনখি অমদি নুপী অমদি অঙাংশিংবুনা মনুংদা লৈহনখি। লান্মীশিং অদুনা নুপাশিং অদুবু তমথীনা ফুবা হৌখিবগা লোয়নন ইমুংদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিংনা শুপ্নগী নুপাশিং অদুনা লাউবগী খোঞ্জেল খক তাবা ফঙখি হায়না ৱিটনেস অসিনা ফোঙদোকখি।

ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মৌরুটেনিয়ন ২৯ অমসুং মালিয়ন ৪ অমা য়াওনা পুন্না নুপা ৩৪ ফারগা পুখি অমসুং মথংগী নুমিত্তা মৈনা চাকথেকখ্রবা মখোয়গী হকচাংশিং অনকপা মফম অমদা থেংনখি।

# ন্যুক্লিয়র প্লান্টদগী রোকেট এটেকশিং চথুরে: রিপোর্ট



কিভ, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট ওইরিবা যুক্রেনদা লৈবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমদা লৈরিবা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সাইদ অদুবু সিভিলিয়নশিংদা রোকেট এটেকশিং চথুবদা শীজিন্নদুনা টেরর টেক্টিক্স চথুরি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি রসিয়ানা জপোরিজিয়া প্লান্ট অমসুং যুক্রেননা কন্ট্রোল তৌবা লমগা নক্লনা লৈবা অকোয়বা এরিয়াশিং পাইশিনখ্রে। মফম অদুদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথুরিবা টেক্টিক্সশিংগী মতাংদা নোংচুপলোমগী ওফিসলশিংনা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা চেকশিন্নবা হায়খ্রে।

জপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদু দমিপ্রো তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান পরিং ওইবা যুক্রেনগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবনি। মদু হৌজিক রসিয়ন সুপরভিজন মখাদা যুক্রেনিয়ন এপ্লোয়িশিংনা ওপরেট তৌরিবনি।

ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুদা প্রেসরাইজ ৱাটর রিএক্টর তরুক লৈ অমদি মদুদা রেদিও এক্তিভ ৱেইষ্ট থম্মী। নুমিৎ খুদিংগী পীবা ইন্টলিজেন্স অপদেট যুকেগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি, মদুদি রসিয়ানা এরিয়া অদুবু ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী প্রোটেক্তেদ ষ্টেটসকী খুদোংচাবা লৌদুনা সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা এটেক তৌবদা শীজিন্নরি। য়ুএনগী ন্যুক্লিয়র এজেন্সিগী মকোক রাফেল গ্রোসিনা চয়োল অসিদা চেকশিন ৱা পীরদুনা প্লান্ট অদু হৌজিক কন্ট্রোল তৌবগী ফিভম অমত্তা লৈত্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা পৱার ষ্টেসন অদুদা এক্সিদেন্ট অমা থোরকপা মতমদা শাথিবা মাঙ তাকপগী ফিভমশিং উবা ফঙগনি হায়খি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা পৱার ষ্টেসন অদুগী গ্রাউন্দদা ট্রুপশিং থমজিনবগা লোয়ননা মিলিটরি ইক্বিপমেন্টসু থমজিল্লক্লি হায়না যুক্রেননা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লোকেল বিজিনেসমেন অমনা বিবিসিদা ফোঙদোরকখিবদা অয়ুক খুদিংগী মী লৈনবা য়ুমশিংদা এটেকশিং চথুরকপা ঐখোয়না উবা ফঙলি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
/CIRCULAR

Imphal, the 5th August, 2022

**No. VFA/TRG/2022-Vety:** In pursuance of letter No. ADMV-2018/1/2021-Vety-VETY & A.H-Part (1) dt. 5th August, 2022 of Secretariat: Vety. & A.H. Department, Government of Manipur, the merit list of the Entrance test conducted on 17th July, 2022 for selection of candidates for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course for the academic session, 2022-23 is hereby declared. Detailed information in this regard can be had from the Notice Board of the Directorate.

**Sd/- Ng. Ibotombi Singh**
**Director,**
**Vety. & A.H. Services, Manipur**

HL-P/3602/6,7

# য়ুএস ওফিসলশিংনা মাইগ্রেন্ট ৫৯১ দা সেক্সুয়েল এব্যুজ চথুখি: মেক্সিকান প্রোব



মেক্সিকো সিটি, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): য়ুএসকী ইম্মিগ্রেসন এন্দ কষ্টমস ইনফোর্সমেন্ট (আইসিই) গী এজেন্টশিংনা হৌখিবা চহী তরুক্কী মতমদা মাইগ্রেন্ট ৫৯১ দা সেক্সুয়েল এব্যুজশিং চথুখি হায়বসি মেক্সিকান ইনভেষ্টিগেসন অমদগী খঙবা ঙমখ্রে। ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট অদু মেক্সিকোগী পাউচে অমনা ফোঙখিবনি।

য়ুএসকী ওফিস ওফ জষ্টিস প্রোগ্রাম অমসুং আইসিইগী ইন্টর্নেল ওদিটশিং, ষ্টেষ্টিটিক্স অমসুং রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মেরিনিও দেলিগী প্রোব অদুনা সেক্সুয়েল এব্যুজশিং অদু অয়াম্বনা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুখি অমদি থৌদোকশিং অদু মাইগ্রেন্টশিংগী ইম্মিগ্রেসন ষ্টেটস লেপত্রিবা ফাওবা অমসুং মখোয়গী কেসশিং প্রোসেস তৌদ্রিবা ফাওবা মখোয়বু থল্লিবা আইসিইগী দিটেন্সন সেন্টরশিংদা থোকখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মতুং ইন্না ভাইওলেসন অয়াম্বা আইসিইগী দিটেন্সন সেন্টরশিংগী দোমিট্রিশিংদা থোকখি। দিটেন্সন সেন্টর অয়াম্বা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংনা মাগ্রেন্টশিংদগী শেল তাল্লি অমদি মখোয়বু মওং মরিল তানা লৈহন্নবা শিন্দবগা লোয়ননা মখোয়বু বসতা হাপ্তুনা মেক্সিকোদা মথোঙ মরম খঙদনা পুই হায়না মরাল শীরিবা প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা চল্লাই হায়রি।

পাউচে অদুনা দিটেন্সন ফেসিলিটিশিংগী ওদিট ৯৭ য়েংশিনখি অমসুং কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০২১ গী মরক্তা আইসিইগী এজেন্টশিংনা সেক্সুয়েল এব্যুজশিং চথুখি হায়বসি য়ুএস দিপার্টমেন্টনা খঙবা ঙমখি হায়না পনখি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হৌখিবা চহী তরুক্কী মতমদা প্রিজনশিংদা থোকখিবা সেক্সুয়েল এব্যুজকী ৱাথোকশিংগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট পীরদুনা মাইগ্রেন্ট দিটেন্সন সেন্টরশিংদা মীওই ৫৯১ সেক্সুয়েল এব্যুজ চথুখি হায়না পনখি।

অদুম ওইনমক মেলিনিওনা মসিগী রিপোর্টতা হায়রি, মদুদি কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মনুংদা অদুগুম্বা থৌদোকশিংগী রিপোর্ট শুনা পীখিদবনা মরম ওইদুনা মশিং অসি য়াম্না হন্থরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। ইনভেষ্টিগেসন অদুনা এক্সপোজ তৌখিবা কেসশিংগী মনুংদা অমদি টেক্সাসতা লৈবা দিটেন্সন সেন্টর অমদা য়ুএস এজেন্ট অহুম্না মেক্সিকান নুপী অমগা লোয়ননা অতৈ মাইগ্রেন্ট নুপী ২ রেপ তৌখিবগী থৌদোক য়াওরি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES,
KAKCHING DISTRICT
/ NOTICE FOR OBJECTION

Kakching, the 4th August, 2022

**No. Pro/SR/Kak/2021-22:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from L. Jibankumar Singh, members of the **"Pole Star College Alumni Association"** Hiyanglam Wabagai, Kakching District, Manipur on 2/8/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Hiyanglam Wabagai,** Kakching District Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/ registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed **"Pole Star College Alumni Association"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed **"Pole Star College Alumni Association"** Hiyanglam-Wabagai, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **K. Dilipkumar Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

HL-P/3596/6,7,8

# ফ্রেন্দলি ওইদবা ইনভেষ্টরশিং রসিয়াদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা থিংখ্রে



মোস্কো, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): ফ্রেন্দলি ওইদবা ইনভেষ্টরশিংবু চহী অসিগী লোইবা ফাওবা ষ্ট্রেটেজিক রসিয়ন ইন্টরপ্রাইজশিং অমসুং প্রোজেক্টশিংদা লৈরিবা মখোয়গী স্যেরশিংগা মরী লৈননা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা থিংননবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা দিক্রি অমা সাইন তৌখ্রে।

লিগেল ইনফোর্মেসন পীনবগী-দমক্তা লৈবাক অসিগী ওফিসল পোর্টেলদা ফোঙখিবা দিক্রি অদুনা ফ্রেন্দলি ওইদবা লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা ফোরেন্নরশিংবু দিসেম্বর ৩১ ফাওবা রসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরপ্রাইজশিং অমসুং বেঙ্কশিংদা লৈরিবা মখোয়গী স্যেরশিং অমসুং এসেটশিংগা মরী লৈননা মখল খুদিংগী ট্রাঞ্জেক্সনশিং চথুবদা অথিংবা থমখি।

দিক্রি অদুগী মতুং ইন্না ফোরেন ইনভেষ্টরশিং সখালিন-১ ওইল অমসুং গ্যাস প্রোজেক্ট অমসুং খারিয়াগিন্সকোয়ে ওইল ফিল্ড প্রোজেক্টতা লৈরিবা মখোয়গী স্যেরশিংগা মরী লৈননা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবদা অথিংবা লৈরগনি।

দিক্রি অদুনা কোনগদবা বেঙ্ক পুম্নমক্কী লিষ্ট অমা নুমিৎ তরানিগী মনুংদা কম্পাইল তৌনবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা সেন্ট্রেল বেঙ্ক অমসুং গভর্ণমেন্টদা ওর্দর তৌখ্রে। দিক্রি অদুনা কোল্লোইদবা ট্রাঞ্জেক্সন খরসু লৈগনি।

অদুগুম্বা ট্রাঞ্জেক্সনশিং অদু প্রসিদেন্ট পুটিননা পার্মিসন পীবগী মতুং ইন্না য়াহনগনি। দিক্রি অদুগী মতম লোইরবসু মখা তানা ওর্দর পীবগী মতুং ইন্না শাংদোকপসু য়াই। দিক্রি অদুগী মতুং ইন্না রসিয়াগী নেসনেল ইন্টরেষ্টশিং প্রোটেক্ট তৌনবা অমদি য়ুএস অমসুং অতৈ ফোরেন লৈবাকশিং অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়াগী রসিয়াবু তাথিবা এক্সনশিংগী পাউখুম ওইনা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 222/SDC/NTK/2022**

1. Rajkumar Ajitkumar Singh S/o (L) R.K. Leiphonsana Singh of Ningthoukhong W/no. 10.
2. Rajkumar Ananandkumar Singh S/o (L) R.K. Leiphonsana Singh of Ningthoukhong W/no. 10 - Petitioners

-Versus-

Late Leiphonsana Rajkumar S/o Achoubisana Singh of Ningthoukhong Kha - Opponent

/ **NOTICE**

Ningthoukhong, the 3rd August, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha গী Patta no. 264 (O), 258/1028 (N) CS Dag no. 2439/2688 **Area 0.025 acres** গী Ingkhol ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী "Macha Nupa" (Petitoner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা Ingkhol Class অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Apati অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/3608/7

# হিরোসিমাদা এটোমিক বোম থাদখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লমদাইদা হিরোসিমাদা এটোমিক বোম থাদখিবগী ৭৭ শুবা কুমওন থৌরম থাংজ নুমিত্তা জপান শীন থুংনা পাঙথোকখ্রে।

য়ুরেনিয়ম বোম অমা থাদখিবগী চপ চাবা মতম ওইরিবা অয়ুক পুং ৮.১৫ তাবা মতমদা মীয়াম্না মীকুপ অমা তুমিন্না লৈখি। হৌখিবা কুমজা ১৯৪৫ গী ওগষ্ট ৬ তা য়ুএস বোম্বর অমনা বোম অদু জপানগী সিটি অসিদা থাদখিবদা চহী অদু লোইবা ফাওবদা মীওই ১৪০,০০০ শিখি অমসুং মীওই কয়া অমা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইরবা রেদিএসনদা এক্সপোজ তৌখি।

পিচ মেমোরিএল পার্কতা পাঙথোকখিবা নীংশিং থৌরম অমদা হিরোসিমাগী মেয়র কাজুমি মাসুইনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা পিচ দিক্লারেসনদা মালেমদা হৌজিক ন্যুক্লিয়র দিটরেন্সতা দিপেন্দ তৌবা হেনগৎলকপগী থৌওং অমা উরক্লিবসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না ন্যুক্লিয়র বট্টন পুম্নমক কান্নরোই হায়বসি খুদক্তা উৎকদবনি। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদা, লৈবাক ৯৯ গী মীহুৎশিং, য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এন্টোনিও গুটরেজনা শরুক য়ারিবসি চহী ১২ গী মনুংদা ৱার্ল্ড বোদি অসিগী চীফনা শরুক য়াবা অহানবনি হায়রি।

মহাক্কী স্পিচতা গুটরেজনা হৌজিক অনৌবা খুৎলায় লমজেল অমা উবা ফংলে হায়না ৱার্নিং তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর কিসিদানা মহাক্কী স্পিচতা হায়খি, মদুদি মালেমদা সেক্যুরিটিগী উংখৎনবা ফিভম কয়া লৈদুনসু জপাননা মতম চুপ্পদা খুৎলায় লমজেল লেপহন্নবা অমদি মালেমদা অমুক হন্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শীজিন্নহন্দনবগী পান্দম অসি ফঙহননবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি।